# নখোয়না তৌবা শাবা’মা

## ওনশিন্দুনসু চিন্দা-পৌদাননীংদেনে

দেমোক্রেসিনি হায়রিবা লৈঙাক্লোনসিগী মখাদা লিংলিবা লোয়শঙশিংসিবু কনাগীনো, কৈদৌনবনো? ৱাহংসি মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা লোয়শঙশিং খক্তগী ৱাফম নত্তে। ষ্টেটসিদা হাংদোক্লুনা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি কয়াগী মখাদা চলাইররিবা লোয়শঙশিংসু য়াওরবনি। হায়বদি মখল অনীগী লোয়শঙ পূন্নমক্কী ওইবা ৱাহংনি হায়বনি। অদুবু লোয়শঙশিংসি কনাগীদমক কৈদৌনবা হাংবনো হায়বা ৱাহংসিগী চপ-চাবা অশেঙবা পাউখুমশিংদি লোয়শঙশিংসিগী স্বীপর, পিওন, চৌকিদারদগী হৌরগা দিরেক্টর, কম্মিস্নর, সেক্রেটরি হায়বদি ‘হেদ ওফ ওফিস’ শিংনা পীবা ঙমগদ্রা হায়বনি। অমা ওইগেরা, অমা ওইগেরা নৎত্রগা পীক্কেরা-চাউগেরা কনাগুম্বা লোয়শঙ অমনা ষ্টেট নৎত্রগা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা হৌদোকপা পোলিসি, প্রোগ্রাম, স্কিমনচিংবগী য়াওনা মীয়ামগী ওইবা থৌরমশিং পাঙথোকপদদি লোয়শঙদু মীয়ামগীনি, মীয়ামগীদমক অদু তৌদোইনি, অদা তৌদোইনি হায়বা য়াওনা পাঙথোক্লিবা থৌরমদুগী মতাংদা মরীক চুম্বা ৱাফমশিং ওন্থোক্লা ময়েক শেংনা অমসুং লানা ফোঙদোকই। খ্বাইদগী নক্লা পাঙথোকখিবা থবক-থৌরমশিংগী মনুংদগী অনীখক লৌখৎলগা পল্লবদা ৭১শুবা ৱাইল্ড লাইফ সিলেব্রেশন ৱীক-২০২৫ অমসুং ‘ইন্টেন্সিফাইদ পলস-পোলিও ইম্যুনাইজেশন’ (আই পি পি আই) নি। থৌরম অনীমক্তা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংদগী হৌরগা শরুক য়াখিবা অচৌবা-মচা ওফিশল পূন্নমক্লা মখোয়-মখোয়গী লোয়শঙশিংদু মীয়ামগীনি, মীয়ামগীদমক লিংলিবনি, থৌরমশিংদুসু মীয়ামগীনি, পাঙথোক্লিবদুনা কান্নহনগদবনা অসিখৈনিগা হায়বা ৱাফমশিং ওন্থোক্লা মরীক চুম্না ফোঙদোকখ্রে। অশেংবসুনি সেন্টরগী ওইগেরা, ষ্টেটকী ওইগেরা লোয়শঙ পূন্নমক মীয়ামগীনি। ‘পব্লিক ওফিস’ লোইনমক ওইহনবগী মথক্তা ‘গুদ ওফিস’ শিংসু ওইহনগদবনি। মসিগীদমক ওফিসশিংসি থৌওইনা লিংলিবনি। অদুগা ওফিসশিংসিদা থবক তৌরিবা থৌমীশিংবুনা ‘পব্লিক সর্ভেন্ট’ হায়দুনা খঙনরক্লিবনি। ফীভমশিংসি হৌজিক্কী ওইনদি ওইফম থোকপা চপ-চাবা মশক্তুনি।

অদুবু সেন্টর অমসুং ষ্টেটকী খো-খোৎপা লোয়শঙশিং লোইনমক্তা ওইরমদ্রবসু লোয়শঙ খরদদি পব্লিক ওফিস, গুদ ওফিস অমসুং মখোয় মশানা মশাবু পব্লিক সর্ভেন্টনি খঙজদবা, মখোয়না তৌনীংবতা তৌবা, মখোয়না পায়রি-পুরিবা ফম, মখোয়দা শিন্নবা থবকশিংদুবু লমহূই মকোলনি অমসুং শোয় চাবনি, মরন্নাইগী ওইজ-ওইথক, খুদোংচাবা লৌফম-তানফমনি হায়দুনা খনবা-লৌবা য়াওই হায়বনি। ৱাফমসি মখোয়বু শক্তা নুংশিদে হায়দুনা হেক্তা হায়জিনবা নত্তে। মখোয়না তৌথোরকপা থবক-থৌওং খরদগী লৈবাক ৱাথোক ওইরক্তুনা শলাক-শারকপা, লো কোর্টশিংদা ৱাকৎনরকপা, মখল কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিন্নরকপদগী হায়বনি। মসিগী চপ চাবা খুদম-চাংদমশিং লৈরিক-লৈরাক থন্না লৈরি। সী বি আইনা লৌখৎপা কেস খরসিসু কোৎথোক্লগুমসি। হৌজিক ‘প্রিভেন্সন ওফ করপশন’ (পি সী) এক্টকী কেসশিংগী ৱায়েল চথনবা দিজিগনেটেদ কোর্টশিংদা পন্দুনা লৈরিবা কেস কয়ানো? হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱায়েল চথরক্লিবা তোঙান তোঙানবা সর্ভিস মেট্টরগসু মরী লৈনবা সিভিল কেসশিংগী মশীংনা কয়ানো হায়বদু য়েংলবদি হোত্রোং হোনা খঙগনি। গভর্ণমেন্ট সর্ভেন্টশিংগী মরক্তা কাতুক-কারল, শেরান-তুরান তৌবা, অসিগুম্বা মথোঙ হুক্তবা থৌওংশিংসিনা লৈবাক ৱাথোক ওইরকপা কয়া’মা য়াওখ্রে হায়বনি। অসিগুম্বা থোকহনফম থোক্তবা থৌদোকশিংসিগী পাউখুম থৌদোক থোকহনখিবা লোয়শঙশিংগী মায়কৈদগী খুন্নকউ। মীয়ামদা ময়েক শেংনা ফোঙদোরকউ। কোক্তা ষন্থি হানবা, লাইরিক হৈরবসু লাইশু খঙদবা মানবা, এম পি এস, এম সী এস, আই পি এস, আই এ এস, এম এফ এস, এম এস এসনচিংবগী থাক য়ৌরক্লবসু চি-লাউনা প্রমোশনদা নৎত্রগা চনপ-খোইনপ্নরগা য়ৌরকপা ওইরমগনি হায়নখিনি। এম পি এস সী অমসুং য়ু পি এস সীনগা লৌদুনা পাঙথোকপা কম্পিটিটিভ এগজামিনেশনদা নশা-নশাগী টেলেন্টনা নেৎখাইরগা লাক্তুনা ফম্লিবা চৌক্রিদু য়ৌরকপনি থাজখিরোই হায়বীবনি। শেংনা মথৌ পাঙথোকচগে, ‘দিরিলিক্সন’ থোকহঞ্জরোই হায়দুনা মপান্দগী লাকপা শমান-লেংমান্নবশিংদুগী মমাঙদা ইকায়দ্রা হায়বনি। হৈত্রবা অমসুং নবুকচেল চুম্না নথৌ পাঙথোকপা ঙমদ্রবদি মীনা ইকায়খুম্নবিবা চৌক্রিদু কোল্লুরনু। সুপরএন্যুয়েশনদা রিটায়র তৌবগী মতম ৱাৎলবসু ভোলন্টিরি রিটায়রমেন্ট লৌবা য়ারিসিদি। ঙাইহাক লৈতনা লৈবাক ৱাথোক ওইগদবগী শরুকপুদি হৈনজবা হুরান-লোন্না অমসুং ফৈরেং-তুরেংগী থবকশিংদু নপূন্সিনা লৈরিবা মখৈ ননীং তেকখৈ তৌজবা য়ানবা লম্বী থিখিবনা ফনি। ৱাফমসি মণিপুরদা লৈবা ষ্টেট অমসুং সেন্টরগী লোয়শঙ পূন্নমক্কী পব্লিক সর্ভেন্টশিংদা হায়বা নত্তে। মপূকচেল শেংদবা, মরীল খোয়বা, মথৌদা ইন্টিগ্রিটি লৈনা পাঙথোকচবা ঙমদবদগী লৈবাক ৱাথোক ওইহল্লকপা লোয়শঙ খরগী থৌমীশিংদা মখোয় মশা-মশানা খঙজনবা মমিৎ-মমিৎশিংদুদা খুদোম্বীনা থিনজিল্লগা হায়বনি। নখোয়গী কৈদাদুনা হায়বনি, ৱারৌনু। হৌজিকসু ফোং-ফোং শানা থোরকপদগী মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওইরক্তুনা লান্থি ফাইবা য়াওনরক্কদ্রা মিপাইবা ৱাথোক অমা থোক্লিবসিনি। শিলোংগী মণিপুর রাজবারিদু ওক্টোবর ৮, ২০২৫গী য়াচঙবা মমাঙদা প্রপ-প্রপ পুমথু-থুদেকখিবদগী ৱাথোক ওইরক্লবা মতমদা শীংকুপ শানা য়ানখাইখিবদুগীদমক ‘রি-কন্সত্রক্সন এন্দ রেষ্টোরেশন ওফ হিষ্টোরিক মণিপুর ভবন এট রাজবারি (রেদ লেন্দ) বিল্ডিং, শিলোং’ কায়না ‘হিষ্টোরিক’ হায়বা ৱাহৈগা পকশিল্লগা ‘মোনিটরিং এন্দ সুপরভিজন কম্মিটি’ অমা শেম্লে হায়না ওক্টোবর ১৩, ২০২৫দা ওর্দর থোক্লককইনে। হিষ্টোরিক পকপা রাজবারিদু থুগাইদ্রিঙৈদা থুগাইদনবা অমসুং থুগাইদবা য়াদে হায়রগসু শিদোকপগী মওং, মচাকশিং মাঙহন্দনবনচিংবা য়েংশিন্নবা কম্মিটি শেন্নম্বদি কৈদৌগে? নখোয়না তৌবা শাবা’মা। নখোয়গী থাক্তুদসু কুমথরগা চিন্দা-পৌদাননীংদে, কম্মাই তৌসিগে?

## মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্‌থৌলোল্‌ লম্‌পুপা’ (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৮৫)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্কসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্লুনা ফোঙজরগনি।)

মখেং লৈবাক থাংয়াননা লালদাওঁে লোললুম ৱাইহুই মখোং নিংথৌ খেলচুঙবা মিংকৌবা। লাকচাথীনা লালঙমলে। লাইরেল মৈদিংঙুদি। লাংতে লাংহুম ঙমবা। হুয়েল খোমমারেংবা ফাবা ও। মিংকৌখিয়ে। লাইরেল সনা থাঙলেল খুৎশুনখিবদি। অসিনসু লোইবা লৈখিদে। মাইকৈ খানা পাংবা লম। সারোল লৈবাক মপুঙয়াইদা। হুয়েল লালদা খৌশাখিবনে। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯸꯵)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯂꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯃꯈꯦꯡ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯊꯥꯡꯌꯥꯅꯅꯥ ꯂꯥꯜꯗꯥꯎꯁꯦ ꯂꯣꯜꯂꯨꯝ ꯋꯥꯏꯍꯨꯏ ꯃꯈꯣꯡ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯈꯦꯜꯆꯨꯡꯕꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯥ॥ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯜꯉꯃꯂꯦ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯗꯤ॥ ꯂꯥꯡꯇꯦ ꯂꯥꯡꯍꯨꯝ ꯉꯝꯕꯥ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯈꯣꯝꯃꯥꯔꯦꯡꯕꯥ ꯐꯥꯕꯥ ꯑꯣ॥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯌꯦ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯁꯅꯥ ꯊꯥꯡꯂꯦꯜ ꯈꯨꯠꯁꯨꯟꯈꯤꯕꯗꯤ॥ ꯑꯁꯤꯅꯁꯨ ꯂꯣꯏꯕꯥ ꯂꯩꯈꯤꯗꯦ॥ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯈꯥꯅꯥ ꯄꯥꯡꯕꯥ ꯂꯝ॥ ꯁꯥꯔꯣꯜ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯃꯄꯨꯉꯥꯏꯗꯥ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯈꯧꯁꯥꯈꯤꯕꯅꯦ॥ ●

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২৩৬ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)



চাইথোরকপা ৱাখল
নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

মমাঙদা ঐখোয়গী পার্টিনা লীলা চৎপদা লূট তৌখিবগী থৌদোক ৱারী অমা নীংশিং খুদাপ মচা অমা ময়ামদা লীজখ্রে। মসি নত্তনা লূট মচা মচাগী ৱারী অমা/অনীগা ঙসি নীংশিং পরে লাকচরক্কে। ঐনা ইজ রিসি মীগীদি কয়া খঙজদে, ঐগা শাগোন্নবা, ঐগী পার্টিদা থোকপা অদুগুম্বা থৌদোকশিং অদুতবুনি। অদুসু লোইনমক খোক্তনা লীবা ঙম্বা নত্তে। লোইনা হায়দোকপদা য়াদবা কয়াসু য়াওরিবনি। হৌজিক্তি ৱা হায়বা য়াম্না লুই। লম মমিং পল্লগা অফবসু-ফত্তবসু ৱাগা হায়রুবা য়াবা নত্তে, ওন্থোক-ওনশিন তৌরগা তুকা থিরক্তুনা ওন্ন-তৈনবা কয়া থোরকপা য়াবগী অকিবসু লৈতবা নত্তে। অদুনা হায়বা য়াবা খরদং ময়ামদা শম্না-শম্না পাউদমজবনি। হেঞ্জিন্না হায়বা অমত্তা য়াওদে, খাল্লগা হায়বা ঙাক্তনি। মমাঙ মমাঙদসু ঐনা খরমখৈদি পঞ্জখ্রে হায়না খল্লি, ঐগীদি ফিরোলদগী করিদগী মরাং কায়জবা নত্তে। মীঙোন্দগী অয়াম্বা ৱায়র-ৱায়রগা লীলাদা লিৎলকপনি। অনৌবা লীলা অমা ফোঙবদা অনৌবা ফুরিৎ খোঙ্গ্রাও লৈবা ঙমদবগী ওন্থোক্লা ৱার-ৱারবা মতাং কয়া লৈখ্রবজাৎনি। তিনসু তিন্নবা, ইথক থোংবসু ওইবা, ইমান্নবশিং, হেক খঙনা চান্নবশিংগী ফুরিৎ অনী/অহুম শুবদু ঐনা অমদি নমদনা নুমিৎ খরদি অদুম ৱাইরে, ঐগী অনৌবা অমা তুদ্রিবা ফাওবা। তুবদু পাক-পাক ঙমদে। কোন্নথংদদি য়াম-য়াম তুরকই। ঐনা লীজরিসিনা ঙল্লিঙৈগী ৱারীনি। মীশকমক্তি হায়দোকচররোই, ঐনা ফুরিৎ ৱাইরগা লিৎপদা ঐখোয় লীলাগী আর্টিষ্টকীদি মেক-অপ তৌবা হায়বা অমা লৈবনিনা ফুরিৎতু লৌথোক-লৌশিন, লিৎথোক-লিৎশিন তৌবদা মতমদুগী মায়দা তৈবদু পেষ্ট হায়রগা খঙনৈ। মদুনা চুখিবসি পাক কোক্তে। মদু খরা চুরে। অদুগা মরু ওইনা ঙকশমগী থেকচিনবা অদুদা খরা চুবদুদা, মপুদুনা শাউবসি সিদি কমাই তৌদুইনো, লোইনা চুরে হায়দনা য়াম্না ৱারৌ পুরৌনা হায়বদুদা ঐসু ইকায়দনা ফরে, ঐগীসু অমা তুগদবা লৈবনি, সিনা ঐ অদুম লিৎলগে, অনৌবা অমা তুগদবদু ওইনা নাপ লৌরগা তুরসি হায়দুনা অহনবা ওইনা শিংবগী থৌদোকসু লৈখ্রবনি। মসিবু কনানো হায়না মীশক মমিং পন্দনা হায়রদি, হৌজিক্তদা মাবু ইকায়বা পীবনি, পুক ফত্তবা তাহল্লিনি হায়দুনা শাওরোইদবগী মরম লৈব্রো। অদুনদি ঐনা মীংগকা অমত্তা পঞ্জদ্রিসে। মসি ঐগী ৱাখলসিদা, পূক্লিংসিদা অসুম লৈজরসনু, কনাগুম্বনা কনানো হায়না নমদনা হংলরবসু ঐ হায়দোকচররোই। ৱারী ওইনা লীবদবু ইরায় লায়না লৈরবনি। মতমদুদা ঐনা ঙাঙখিবা মায়, য়ঙ-য়ঙ লাউখিবদুদি ইবসিদা হাপ্পা য়াদবনিনা হাপচদ্রবনি। অসিগুম্বা থৌদোকসিদি মশীং য়াম্না তোয়না থোকখ্রে। শীংবমক নৎত্রবসু ৱা ওইনা ফনা য়াম্না ঙাঙনবদি লৈখ্রবনি। অদুগুম্বা কয়া অদু তূমিন তাদুনা লাকখ্রবনি। মদুদনি ঐখোয়না মীয়াম মরক্তা লিৎখৎনবা কন্না হোৎনখিবদো।

মমাঙদসু পঞ্জখ্রবনি, খোঙ্গ্রাওদি অয়াম্বনা সেকেন্দ হেন্দদগী অফবা পাকথ-পাকথ খল্লগা শেমদোল্লগা শেৎলকই হায়না। মদুসু শ্বাইদা য়োনবা নত্তে। শুপ্নতগী চুড়াচান্দপুরদা ফংবনি। শ্বাইদা ফংলিসিনা মতমদুগী ময়ামদি খঙবীরমগনি, ভুটানগী জর্সিনচিংবদি সড়ক মপান মপান্দা অহোঙ-অহোঙবা য়াম্না ফংই। মদুসু ঐখোয় লৈজরকই। খোঙ্গ্রাওমক্তি ফংদে। অদুনা বস তোংলগা অয়ূক অঙনবদা চুড়াচান্দপুরদা চৎলি। অদুগা পাকথবীদগী থাঙ্গৎ-থাঙ্গৎতনা খল্লগা তোঙান তোঙানবা মচুগী অনী নৎত্রগা অহুম লৈরকইবনি। ঙমদ্রগনা অনীগুম্বদি লৈরে। অদুসু লীলা ফোঙলমদাইদনি। সেকেন্দ হেন্দনি হায়বৈ ৱানি, শেল য়াওদ্রদি লৈবা য়াদবনিনা, মতমদুদা য়ামগেরা য়াল্লোইরা শেল হায়বসি মতে থোক্লবদৌনা ঐগী নাক্তা ইরৈ লৈয়ু য়াদে। ঙসি লৈরম্মী হেক্তা পাইখিনি। খূৎতা হেক্তা লৈহৌদবা ওইবনা অদুম ৱারকখি। মদু তা কুঞ্জোগী টেলরদা ফজনা শেমদোকহল্লগা শেৎপদা কনা অমত্তনা পাকথবীদগীনি হায়বসি খঙবা নত্তে। মরু ওইনা মায়রোমদা ওইনা য়েংবনিনা খোঙ্গ্রাওরোমদদি কয়া মীৎয়েংলোইশিংনা য়েংদে। মায়গা তাইনবা হায়রপ নক্লবা ফুরিৎকুম্বদি অদুম য়েংবজাৎনি। মতমদুদসু ময়ামদগী খিতং তোঙানবা মচু মমেন খল্ল-খল্লগা লিৎলক্লিবনি।

ঐগী ৱারী পাবীরিবা, মতমদুগী ঐগী ইশুং ইরেং ইমান্নবশিংনদি শোয়দনা খঙবীরমগনি। মতমদুদা মশা নাল্লে হায়নরিসি, পোজ তারে খন্নরিসি, খোঙউপ মখল অনীদগী হেন্না লৈরমদে। খোঙউপকী ষ্টাইল হায়বদুনা তোঙানবা ৱানিকো। মতমদুদা লৈরম্মীসে, ফি খোঙউপ হায়বা অমা, অদুগা শউনগী খোঙউপ হায়বা অমা অনী অসিনি। অদুগা শেন্দল হায়বা থৌদোক ৱাথোক্তা হায়দি ফৈজোমগা শেৎলগা তোংগদবা মখল অমগা অসিতনি। হৌজিক্তি স্পোর্টস শুনচিংবা মখল-মখলগী খোঙউপ অতাঙ অতাঙবা য়াম থোরক্লে। মতমদুদা খোঙউপ মরোল অনী/অহুম শুনা তোংবা মীসি খরা তাঙই। শেল খরা পায়বা নৎত্রদি মরোল নাইনা থম্নদে। অদুনা মচি-মচি খুদিংদা মুজি হায়বা (খোঙউপ শেম্বা, কাপ থাবা) ময়াং ময়াম অমা সড়ক মপান্দা ছাতিন অমুবা অমা খল্লগা লৈ। মদুদা চৎলিবা ময়ামসিনা কাপ লোইনা থানৈ। মী ঙাইগদবা ওইরসু খোঙউপ কাপ থারগা ঙাইনরিনি। ঐগীদি তোংলিবা খোঙউপতু মমাঙদা অমুক শেগাই, মনীংদা অমুক শেগাই, খুগারোমদা অমুক নাম্থোক, খুনিং অমুক কেন তৌদনা য়াম্না ৱানা ঐগী নাক্তা খোঙউপ্তু ঐগী মীংদা লৈ। মদু ঐনা মুজিদা ফোৎপা, নপ্পা তোয়না তোয়না তৌরগা নম নমদনা শীজিন্নৈ। কাপ থাবসিমা য়ূমদা কাপ অমুবা অমা লৈরগা ব্রশ তৌরগা তোয়না থাই। মী খরদি মানা থবক চখোকত্রিঙৈদা ময়ূমদা নুমিৎ খুদিংগী খোঙউপ কাপ থানৈ। অমনা য়ূমগী মৌ অমনা মাগী নুপাগী খোঙউপ কাপ থাবা, তৈথোকপা হায়বসি নুমিৎ খুদিংগী মথৌ অমা ওইনরম্মী। মদু তৌদবদা ইমুংদা ৱারু ৱাজাও থোক্লবা য়াম্না য়াওই। “চৎতোরে খঙলবনি, খোঙউপসিতবু কাপ থাদে, তৈথোক্তে” হায়না মাগী নুপী অয়ূক্তগী ইমুংগী কুপনোম নোম্বদা শংজদবীদুদা চৈবীরিনি। করিগুম্বা খুমদোক খুমজিন হেক তৌনরুবদা অদুম খোন ৱাংখৎনরে। সিনি মতমদুদা লৈরম্মীসি।

খরা লৈরগদি হৌজিক তোংনরিবা খোঙউপ স্পোর্টসকী মানবশিংসে থোকপা হৌরক্লে। মতমদুদা খ্বাইদগী মমিং চৎপা খোঙউপসি এক্সন শু হায়বা অসিনি। মদু অমত্তং লৈরগা তোংগে খনবসি ঐ ফনা কুইরবনি। উচিন নাচিন্না এক্সন শুদুমা নোংমা লৈরে। অহানবা লৈবা নুমিৎনি, য়ূমদফাও পুদ্রিবনি। ঐনা তোংলিদুদি হেক থোরকপগা লৈবদি নত্তেকো, ফনা কুইনা চৎনরবা মতুংদা কোন্নথংদা লৈবনি। খোঙউপ্তু লৈরকপগী চেগী বোক্স অদু লীলাগী ওফিসতা থনম্মে। খোঙউপ অহনবদু তোংলগা লীলা শান্নবা চৎলে। মফমসিমসু হায়জররোইকো ময়াম, হেক হায়রুবদা ঐঙোন্দা ৱাহং ময়াম অমা চপখাইরক্কদবা লৈগনি। অদুনা মফমদু পঞ্জররোই, মায়কৈ ফাওদি হায়জগে। টিদ্দিমগী লম্বীদা থৌগদবনি। মোইরাংগী লমখাইরোমদগী অমুক কৈথেললোমদা চৎখিগদবনি, অদুৱাইদা নত্তে, মায়কৈদুগী ৱানি। লীলা শান্নফম য়ৌরে। ঐখোয়গী ফি শেৎফম অদুদা ঐখোয় চঙই। ঐনা ঐগী অহনবা খোঙউপ্তু ঐনা ফম্লিবদুগী নাকলদা থমজে। মতমদুদা খোঙউপ তোংলগা লীলাগী ফি শেৎফমদা চঙনদে, ঐখোয়না য়াম্না কিনা লুনা চৎলি। ফি শেৎফম ময়ায়দা অমুক্তা খোঙউপ তোংলগা চঙনদে। ফম্মীবদুগী তুং ওইরপ্পা থম্বনি। লীলা ফি শেৎফম হায়সিমক্তবু ময়াম ঐখোয় কোয়না য়েংবনি। য়েংনীংদুনা য়েংলিবনি। তাল্লবসু চৎতে, কৈসু পাম্বে লৈতে, হোরেন লীলা হৌরকান্দতা গুরুং গুরুং চেন্থোকখিদুইনি। লীলা হৌরে, লীলারোমদা পূক্লিং ৱাখল পুংলুপ লুপখ্রে। লীলা লোইরকপদা ফিরোল লোইশিল্লে, খোঙউপ তোংশিনগে হায়না য়েংলকপদদি ঐগী খোঙউপ অহনবদু লৈরমদ্রে। ঐনা ঙাইহাক মপু শাদুনা তোংলকপা ওইরমাল্লে, অশেংবা মপু ওইগদবদুনা পুবিরগা চৎখ্রবজাৎনি। ঐনা নুমিৎতুদা নুংঙাইতবা থৱায়সি অরোইবীনি। য়ূম ফাওবা য়ৌদ্রিবা খোঙউপ্তু মাঙখিবদুদা, নুমিৎতু ঐ শাংলবা লম্বীদু খোঙউপ তোংদনা হল্লকখি। য়ূম হনবগী ঐগী ওফিসতা থল্লম্বা অমনবা খোঙউপ্তু তোংলগা মোন্দা নুংঙাইতনা হল্লকখি। ঐগীদুনা অহানবসু নত্তে, অরোইবসু ওইরম্মোই। মতুংদদি য়াম চেকশিল্লে, ঐনা ফম্মীদুগী ফক্তো অদুগী মখাদা ননশিল্লগা থম্মে। ঐগী ওইনদি মতুং মাঙখিদ্রে। অদুবু অতৈগী খোঙউপ মাঙবগী পাউদি অদুম মরক মরক্তা তাবা ফংখি। ●

# নেশনল হায়ৱেশিংদা রেষ্ট এরিয়াজ - পোত্থাফমশিং

পূন্সিগী ঈচেলদা - ১৪০
ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার

মমাঙগী ৱারেংদা টাইৱান লৈঙাক অমদি লোকল লৈঙাকশিংনা নীংথি-নীংথিজনা থন্বীবা পোৎলম কয়া অমগী মরমদা শন্নপ-শন্নপনা থমজখ্রে। ঙসিদি ময়ামদুগী মরক্তগী টাইৱানগী হায়ৱেশিং খনগৎচরগা খরা মরীক চুম্না পাউদমজগে।

হায়ৱে হায়বগী মরু ওইবা ৱাহন্থোক্তি অৱাংবা মফমদা, অকংবা মফমদা অমদি সেফ ওইনা ৱাংনা শাবা (হুরান-চিন্থী, এম্বুশ অমদি ঈশিং-ঈচাওনচিংবদগী) গাড়ী লম্বীশিং অদুবুনি।

টাইৱানগী হায়ৱেশিং অসি টাইৱান লৈঙাক্লবু ওইগেরা, লোকল লৈঙাক্লবু ওইগেরা কম্মাইনা, করম্না থন্বী অদুগা হায়ৱেশিং অসিদা চঙদবা য়াদ্রবা করি-করি পোৎলমশিং থন্বগে হায়বদুনি।

খ্বাইদগী অহানবদা, ষ্টেট দিষ্ট্রিক্ট অমদি দিষ্ট্রিক্ট অমদা নৎত্রগা ষ্টেট অমদগী ষ্টেট অমদা লানশিনবদা ইরমদমদা লৈরিবা অদুম্মাইনা পুলিস চ্যেক পোষ্ট অমা ফাওবা লৈতে টাইৱানদা। ৱারেং অসিবু পাবীরিবশিংনা লাল্লগা খঙগনি শুপ্নগী অমা ফাওবা লৈতে, উবা ফংদে হায়বসি। মসি হায় হায়দুনা ষ্টেট অমদগী ষ্টেট অমদা লানশিনবগী হায়ৱে টোল টেক্স লৌদবদি নত্তে, লৌই। তৌগুম্বসুং, অচৎ-অওকশিংদা খামদুনা শেল নম্ফুদা লৌদুনা, দ্রাইভরশিংদা ফূবা চৈবা তৌদনা অয়েৎ-অপন কয়া পীবগী চৎনবীদো টাইৱানদা শুক্লে লৈতে। পুলিস চ্যেক পোষ্টশিং অমদি আর্মি পর্সনেলশিং থম্বগী মহুত্তা শুপ্নগী ওটোমেটিক ইলেক্ট্রোনিক সিষ্টম থমদুনা গেটশিং অদুবু লাল্লিবা গাড়ীশিং অদুদগী পীফম থোকপা শেল লৌখৎলি গাড়ী খামদবীদা, মী অমত্তা থমদে। টাইৱানদা লৈবা গাড়ী খুদিংমক টোল টেক্স পীনবা এ টি এম কার্দগুম্বা অমমম লোইনা থেৎলি গাড়ীগী মমাঙ থংবা মিংশেল মনুংদা। হায়রিবা কার্দ অসিদগী ওটোমেটিক ইলেক্ট্রোনিক সিষ্টমদুনা লৌফম থোকপা টেক্স অদু মতোমতা লৌজহৌই। অসুম্না মী য়াওদবীদা টেক্সনচিংবা পীবা অসিনা অয়েৎ-অপনসু পীদ্রে অদুগা মতমসু মাঙহন্দ্রে। মরম অসিনা হায়ৱে টোল টেক্স লৌফম গেট লৈরে হায়দুনসু গাড়ী খাম্বগী মথৌ তাদে। মফম খরদদি গাড়ী তপথনা থৌবগী মথৌসু তাদে লম্বী পার্ক চাউনা, লেন মশীং য়াম্না লৈবনিনা।

অদুবু মণিপুরদদি অসুক্কী মতিক নুংঙাইতে হায়ৱেশিংদা চৎপসি। নীংশিংলি ঙসিসু কুমজা ২০১৯দা মোরেদা লৈবা ক্কাথা খুঞ্জাও অমদি ক্কাথা খুনৌগী ইরৈচাশিংনা কৌবীরকপদগী চৎলুবদা থেংনরকখিবা অয়েৎপা-অপনবা কয়াদো পুলিস অমদি আর্মি চ্যেক পোষ্টশিংদুদা। হেন্না অমুক নুংঙাইত্রিবদি মোরেরোমদগী থোরকপদা চ্যেক তৌবদা অসুক্কী মতিক মতম মাঙহনবা অদুনি।

নুমিৎতো চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী পল্লেলদা লৈবা তরাও ভিলেজদা ঐহাক্কা তরাও খুঞ্জাশিংগা ৱারী-ৱাতাই শানবগী থৌরম অমা লৈবনি। মরম অসিনা নুমিৎতুগী অয়ূক ঙন্তা হৌগৎতুনা মোরে টাওন থাদোক্তুনা লাকখিবনি থৌরম অদু নংনবা। অদুবু খুদেংথাবী চ্যেক পোষ্টতা ঐহাক্কী পাসপোর্ট, ভিজা অমদি অতৈ চে-চাং য়েংবদা পুং অমা হেন্না মতম মাঙহনখিবনা তরাও ভিলেজদা ময়াম্না ৱানা ঙাইদুনা লৈরম্মে ঐখোয় লাকপদা। অসুম্না নুংঙাই-নুংঙাইতবা থৌদোক য়াম্না থোকই মণিপুরদা লৈরিবা হায়ৱেশিংদা চৎপদা। ঙক্লিবদি, তেনখ্রবা নেশনল হায়ৱে অহুমখকসি ফাওবা চহী হুম্ফুতরামঙাগা হেন্না ইন্দিয়াদা পুল্লকপসিদা গাড়ী থৌবা য়ানা থন্বীদে, অনৌবা ইলেক্ট্রোনিক সিষ্টমশিং থন্বীদে গাড়ীশিং চ্যেক তৌনবা। থায়না বৃটিশ অম্পয়রগী মতমদা তৌরম্বা অদুগুম ঙসিসু অদুম তৌরি। অসুম্না অহোংবা অমত্তা লৈতবনা হাপ্পল্লিবা গাড়ী মপোৎ-মপোৎতো থাংথহন্দুনা চ্যেক তৌই। মসিনি ইন্দিয়ানা তৌবীরিসি।

অদুবু টাইৱানদদি অসুম্না গাড়ী খাম্বগী মথৌ তাদবনা অসুক্কী মতিক নুংঙাইনা, অয়েৎপা অমত্তা য়াওদনা চৎনৈ নেশনল হায়ৱেশিংদা। চ্যেক তৌবগী মথৌ তারবসু এক্স-রে, ইলেক্ট্রোনিক সিষ্টম অমদি কেমেরানচিংবা থমদুনা চ্যেক তৌনৈ।

মসিগী মথক্তা, হায়ৱে লম্বীশিংদা কোমকুৎ অমা ফাওবা লৈবা উদে, থেংনদে কার থৌদুনা চৎপদা। লম্বীশিংসি শৃৎ নান্না থম্মে। মসিনা মরম ওইদুনা গাড়ীশিংসু পুং অমদা কিলোমিটর ১০০দগীনা ১৩০ অদুৱাইদা থৌনৈ, হায়বদি টাইৱানগী অৱাংদগী খা থংবদা লৈরিবা হায়ৱেগী অশাংবসি কিলোমিটর ৪৬৫ মুক্লি। ইশাগী কারনা চুমদ্রিং থৌবদা ৪৬৫ কিলোমিটরসি পুং ৫/৬ মুক্তং চংই।

হায়ৱে লম্বীশিং অসি শৃৎ নান্না থম্বতা নত্তনা নাকল অনীমক্তা লেন ৩-৬ ফাওবা লৈ। অসুম্না হায়ৱেশিং নান্না অমদি পাক চাউনা থন্বীবনা অসুক্কী মতিক লম্বী মরাং কায়না নুংঙাইনা থৌনৈ মীপূম খুদিংমক।




পূন্নমকসিগী মথক্তা খ্বাইদগী নুংঙাইহল্লিবদি হায়ৱেশিংদা থল্লিবা রেষ্ট এরিয়াশিং অসিনি (পোত্থাফমশিং)। হায়রিবা পোত্থাফমশিং অসি অসুক্কী মতিক চাউনা, মফম মরাং কায়না অমদি নান্না থমখ্রে মদুদি হায়রিবা পোত্থাফমশিং অসিদা হেক য়ৌবদা অৱা-অনা লোইনা কোকপগুম ফাওই।

রেষ্ট এরিয়াশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা মখলগী চান-থক্লবা রেষ্টুরেন্টশিং, ষ্টোলশিং লৈ, পোৎ-চৈ, অচাপোৎনচিংবা লৈফম, মপান-ইপাল থোকফম, পাক চাউরবা গাড়ী খাম্ফমশিং লোইনা লৈরে। গাড়ী খাম্বগী অকক্লবা পুংজা লৈতে, পার্কিং ফীসু লৌদে। অসুক্কী মতিক নান্নসু থম্মী। মপান-ইপাল থোকফম টৌইলেটসু মরাং কায়না নান্না-নান্না, লংত্রিক লংত্রিক লংনা শেংদোল্লগা থম্মী, মনম-মহা চেন্দে। অদুগা হায়রিবা রেষ্ট এরিয়াশিংসি উ-ৱা, হৈ-লৈনা লৈতেংলগা লৈবনা টুরিষ্ট স্পোটশিংদা কোয়বগা চপ মান্নে। অসুক্কী মতিক ফ্রেশ ওইহল্লি পূক্লিং ৱাখলসে।

অদুবু ঐখোয়গী ইরমদমদা অমুক্তা হঞ্জিন্দুনা য়েংসি। য়ূমগী কোম্থোঙ হেক লাম্থোকখিবদা ফ্রী ওইনা গাড়ী থৌবা ফংগনি হায়বগী ৱাফমসিমা শুক্লে হেক লৈত্রে। কোম্থোঙ হেক লাম্থোকখিবদা শেল চানীংবা ত্রাফিক পুলিস ময়াম অমা, চ্যেক পোষ্টশিংদা পুলিস ময়াম অমা ঙাইরম্লনি। অদুদগী খিত্তং লাপথোকখিবদা হৌরক্লনি চীংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা নোংমৈ পায়বা কাঙলূপশিংনা ইফোং ফোংনা গাড়ী দ্রাইভরশিংদগী ইল্লিগেল টেক্স খোমগৎপা, কিহনবা, ফূবা-চৈবা, হাৎপা-তুপ্পা কয়া চথবা।

অদুবু মসিদগী হেন্না শাথীরিবদি লমদম অসিদা য়েলহৌমী ওইনা, মপু ওইনা হৌরকপা, লমদম অসিবু য়েক্লবা কয়াদগী ঙাকথোক্তুনা লাকখিবা মীতৈ কাঙলূপ্না তম্পাক্তগী হেন্দোক্তুনা নেশনল হায়ৱেশিংদা চৎপা ঙম্লক্তবা চহী অনীমখায় ফাজিল্লকপা অসিনি। মসি পূন্নমকসিবু থোকহল্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাক অসিবু করম্বা লৈঙাক্লো।

পূন্নমকসিগী মথক্তা লম্বীশিং অসিসু অসুক্কী মতিক ফত্তে- লেন্দস্লাইদ তোয়না থোক্তুনা গাড়ী চাং নাইনা থৌবা য়াহন্দে, লম্বী থোং য়াম্না ফত্তে, কোমকুৎ অমদি লৈখোম্না পীক থল্লি, গাড়ী কয়া পুখৈ মালগা লোয়ননা, এক্সিদেন্ট থোক্তুনা অশোক-অপন, অশি-অনা কয়াসু তোয়না থোকই। মসিগী মথক্তা, হায়ৱেশিং তোয়না থিংজিল্লি। মরম অসিনা চৎলিবা খোঙচৎ অদু পন্থুংফম মতম চানা য়ৌগনি-য়ৌরোই হায়বা ঙমদে। মীনা রোদ ব্লোক তৌদুনা নৎত্রগা মহৌশাগী লেন্দস্লাইদকুম্বা থোক্তুনা নুমিৎ কয়ানি হায়ৱেশিং চৎপা ঙমহন্দে। শেংদোকপা অমদি শেমজিন শাজিনবগী থবকসিসু অসুক্কী মতিক তপ্পী। অসিগুম্বা কয়া অসিনা অসুক্কী মতিক অয়েৎপা, অকায়বা অমদি অৱাবা পীদুনা লাক্লি মণিপুরনা ইন্দিয়াদা হেক তিল্লকপদগী ঙসি ফাওবা।

পীকখ্রবা ষ্টেটসিদা লৈবা নেশনল হায়ৱে অনী অহুমখকসি ফাওবা নীংথিজনা থন্বীবা ঙমদবা ইন্দিয়াসিবু করি হায়দৌনো খঙদ্রে। অদুগা চহী হুম্ফুতরামঙাগা হেন্না ইন্দিয়াদা পুল্লকপসিদা ঐখোয়গী লুচিংবনি হায়না লৈরিবশিং অসিসু করিমত্তা তৌবীদে হায়ৱে অহুমখক লৈবসি।

অসুম্না হীরম অমখক লৌখৎচবসিদা অসুক য়াম্না খেন্নবা লৈরগদি ঐহাক্লা মমাঙগী ৱারেংদা পঞ্জখিবা হীরম ময়ামদো নৈনরদি খেন্নবা কয়া থোরক্কনি, পাবীরিবশিংনা ৱাখলনা শাজিন্দুনা অদুম উবীরো, খঙবীরো। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।